থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ইনিংথৌনা এম পি ওইরগে হায়রকপা


মণিপুর ! লেন্দ ওফ জিৱেলস ! সনাদি থোক্তবা, সনা লৈবাক হায়নসু মিংগৌনবা ! মণি (তস্ফা) অমত্তা লৈত্রবসু মনিনা থনবা লমদমনি খন্দুনা 'মণিপুর' মিংগৌজবা ! লমদমসিদা থোকই, থোকখি অঙকপা থৌদোক কয়া । অচৌ অচৌবা নেসনল/ইন্টরনেসনল ইশ্যু কয়ানা নন-ইশ্যু ওইরগা, করিসু লৈতবা অমনা অচৌবা ইশ্যু ওইরকপা - লমদমসিদা অঙকপা নত্তে। পোলিটিকেল ইশ্যু অমত্তা পোলিটিকেল ওইহনবা ঙমখিদে লমদমসিগী মীয়াম্না। অদুনবু খল্লিবনি দিল্লিরোমগী লৈঙাকপশিংনা লমদমসিগী পোলিটিসিয়নশিংবু 'য়াঙলেন-শরূ পান্দবা থৱায় পানবা' (স্পাইন-লেস ক্রিয়েচর) অমা ওইনা। মশাগী লৈঙাক মশানা ঙাকচবা ঙমদবা, দিল্লিগী য়াকা য়েংলগা, 'বোস'কী য়াথং য়াওদনা, পোলিটিকেল দিসিজন লৌবদি লায়রদুনা পোলিটিকল লিদর খনবা অমদি শিনবা-ফাওবা ঙমজদবা পোলিটিসিয়নশিংনা তৌবা পোলিটিক্সনি থেংনরিবা ঐখোয়না। এম এল এশিংনা খঞ্জবা, মখোয় ময়ামগী লুচিংবা অমত্তা নত্তে চীফ মিনিষ্টরগী ফমফম লাংদা ফম্লকখিবশিং (লোকেল পার্টিনা লৈঙাক পায়খিবা তাঙলবা থেংখাঙ অম'নিদু নত্তনা)। সী এম খনবখক্তগী ৱা নত্তেদো, পামজবা নেসনল পার্টি অমনি খন্দুনা প্রাইমারি মেম্বর, এক্তিভ মেম্বর, ইগজিক্যুটিভ মেম্বর-মথং মথং থাক নাইনা কারক্লগা থৌ-পাঙজরিবা থৌপাঙলোয় (ৱার্কর) শিং, দেমোক্রেটিক ওইবা পার্টি অমগী থৌপুরেল (প্রসিদেন্ট) খনবদসু মশাগী ভোট অমুক্তা থাদজগে ফংলক্ত্রবা মেম্বর ঙাক্তনি, মণিপুরদা লৈরিবা মরুওইবা নেসনল পোলিটিকেল পার্টি অনীখক্কী মেম্বরশিং। অদুসু দিল্লিনা খনগনি। অদুনদি, ৱাফম অসি ময়েক শেংলে, মদুদি মরু ওইবা/মশক নাইবা পোলিটিসিয়ন অমা ওইনবগী খ্বাইদগী তঙাইফদবা, মরু ওইবা থৌদাংদি-দিল্লি (হায় কম্মান্দ)গী লুচিংবশিংগা অফবা মরী থম্বা, অতোপ্পা ৱাহৈদা হায়রগা, মখোয়বু য়ানবা চৎপনি। ময়েক শেংলবা খুদম-চাংদম কয়া মাঙদা লৈরে তাদুনা। অমুক মমিং-মথা পনখিসিরা ? হৌজিকসু পার্টি অমগী প্রসিদেন্ট হাপ্পা (খনবা নত্তেকো) ঙমদদুনা লৈরেদনা! ময়াম্না ঙাঙনৈ-লোব্বী তৌবা মী য়াম্মনখিদুনা, হায় কম্মান্দবু অখন্ননা পেলহনবা ঙম্বা য়াওদদুনা তৌরিবনি।

অসিগুম্বা খোইশাউনবা পাউ মরকসিদা, ঙসি মরি-মঙানি'সিদা অতোপ্পা সেন্সিটিভ ওইবা পোলিটিকেল ন্যুজ অমগা পাউচেশিংদা ফোঙনরকই, ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়াদা নৈনরকই, সোসল মিদিয়াদা অমগা অমগা সেয়র পংতৌদা তৌনরকই। খ্বাইদগী শাবা 'হোত ন্যুজ' অমা ওইরকই। মদুদি, মণিপুরগী নিংথৌ 'লৈশেম্বা সনাজাওব'না মণিপুরগী অমত্তা ঙায়রবা রাজ্য সভাগী সীট অসিগীদমক মার্চ ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী মীরেপ ওইরগনি। বি জে পিনা থাংলকপা রাজনিতিগী খোঙথাং অসিনা মণিপুরগী মীয়াম, চীংমী-তম্মী অনীমকপু চঙক্লহনখি। ইনিংথৌগী পোলিটিকেল ষ্টেপ অসি চুম্মী হায়বা কাঙলুপ অমা। তৌহৈদবা অরানবা খোঙথাং অমনি হায়না য়েৎপা কাঙলুপ অমা। পাউচেশিংদা ইনরি নোংমত কাংদা। লৈপাক্কী লুরবা তানফমদা, অচৌবা ইশ্যু কয়াদা মাঙজিন থানা চোংথোক্তুনা মীয়ামগীদমক লান্থেংনখিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়া, নুপী খুন্নাইগী ইমা-লূপ কয়া অমদি চীংমী লূপ কয়ানসু ইনিংথৌগী ফিরেপ অসি হোংদোকপিয়ু হায়দুনা পাউচে অমদি অতৈ মেদিয়াগী খুথাংদা পাউজেনবগী মথক্তা ৱাকৎ মীফম (ধরনা)ফাওবা চঙশিল্লি হায়বা পাউ তারি।

'নিংথৌ' হায়বা মিং, ফমথোন্দুখক্তা ঙায়রবা, পোলিটিকেল ওথোরিটি লৈত্রবা, ইচম চম্বা মীশক অমা ওইরবা 'লৈশেম্বা সনাজাওবা'গী ইন্দিভিজ্যুয়ল দিসিজন অমনি - ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউজ, 'রাজ্য-সভা'দা মণিপুরগী মীহুৎ অমনা ফম্নবগী সীট অমা হাংলিবসিগীদমক মীখল তৌগদৌরিবা অসিদা মীরেপ অমা ওইনা চোংথোকপা। মমাংথক্কী তানফম খরদা ইনিংথৌ, এক্তিভ পোলিটিক্সতা য়াওনিংবগী ইথিল লৈরমদে, সনা কোনুংগী ত্রেদিসন ঙাক্তুনা লৈনীংলম্মী। ঙসিদি হোংলে। সরকমসতেন্স (মফম-মতম-তাঞ্জা)না নিংথৌগী ৱাখল হোংহল্লে। কলচরেল হেদ অমা ওইনতা লৈবা, পোলিটিকেল পাৱর য়াওদবদু পাম্লক্ত্রে, পোলিটিকেল পাৱর পাম্লক্লে। ইন্দিভিজ্যুয়ল সিটিজন অমগী নীংতম্বনি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা পীরিবা। ঙাঙনরিবা, শক্লরিবা ৱাফমশিংসিদা পাউদমজ রিবা ঐগী থম্মোয় খ্বাইদগী শোকহনবা ৱাফমদি - ইনিংথৌগী শোকচিল্লবা ইকনমি, লায়রকোন্দা তারিবসি কোক্লবা, এম পি অমগী সেলরি, পর্কস, চহীগী লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম অদুনা লৈপাক্কী থৌগল তৌবা ঙমগনি খল্লক্তুনা এম পি ওইনীংলকপনি ... হায়বনচিংবা, য়াম্না হোঙবা, নোর্মেল পর্সন অমগুম ঙাঙনবীবা অসিনি। 'ইনিংথৌ' হায়না মীয়াম্না কৌনরম্বা মিংগৌ অদু তোক্লগা 'ওনরেবল এম পি' নৎত্রগা 'ওনরেবল সার' হায়না কৌবা তাবনি ... এম পি ওইনীংলগনা নিংথৌ ফম  হান্না থাদোকপীরম্মু ... হায়বনচিংবা ৱাহৈসিসু ঐবু থম্মোয় কায়হল্লি। ৱারী অসি তারগা, নীংশিংদবা ঙল্লক্তে মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্টকী অহুমশুবা আর্টিকল ... 'হিজ হায়নেস মহারাজনা মহাক্কী 'প্রাইভি-পর্স'কীদমক ষ্টেটকী রিভিন্যুগী শেনফমদগী, চহী খুদিংগী লুপা লাখ অহুম পুন্সিচুপ্পা ফংগনি ... শেনফম অসি মহাকপু ঙাক শেল্লিবশিং, য়ুম-কৈ শেমজিনবা, লুহোং-কৈহোংনচিংবদা চৎকদবা শেনফম অদু কোন্ননবগীদমক্কি'...। হেনগৎপসু লৈরোইদবা, তাথবসু য়ারোইদবা লুপা লাখ অহুম চহী খুদিংগী পীগনি হায়বসি মহারাজ বোধচন্দ্র কৌবা মীশক অদুনা হিংলিঙৈ মতমদুখক্তগীনি হায়না লৌফম থোক্তে, মণিপুর মহারাজ হায়বনি। বোধচন্দ্র শিখ্রবা মতুং, মথং মথং চত্থরকপা নিংথৌ খুভমদু ঙসি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মণিপুরগী মহারাজনি। কুমজা ১৯৪৯, ওক্তোবর ১৫গী লুপা লাখ অহুম, ঙসিগী ভেল্যুদা কয়া ওইফম থোকপগে ? শেনফম অদু মখা তানা অসুম ভারত সরকারনা পীবীরম্বা থোক্লবা, মণিপুরগী সনা কোনুং ইংলেন্দগী 'বক্কিং হাম পেলেস'না করিদা হেনগনি? ইনিংথৌসু এম পি মচা অমগী ফম অদুদা মিকাবসু পোক্লম্লোই। পুন্নমকসিগী ৱান্নদি 'মর্জর এগ্রীমেন্ট'পু ফাগি তাহনখিবা, অচম্বা চেজেৎ ওইহনখিবদুদগী থোক্লকপনি। বোধচন্দ্রনা খুৎয়েক পীখিবদু মহাক মশা মথন্তগী য়েংলগা নত্তে, ৱারোলদুদা পল্লিবশিং ঙসিসু অদুম 'ইন ফোর্স' লৈফম থোকই। কুমজা ১৯৪৯ গী লূপা লাখ অহুম, ঙসিগী লুপা লাখ হুমফুতরেৎনি।

লৌশিং পুক্কে

# কোরোনাভাইরসকী মরমদা মমূৎ তানা খঙগদবশিং-১




কোরানাভাইরসনা মীওইবা য়াওনা মেম্মেলশিং অমদি উচেকশিংগী রেস্পিরেটরি ট্রেক্টতা এফেক্ট তৌই। দোক্টরশিংগী মতুংইন্না ভাইরস অসিনা লোক থুংবা, ব্রোনকাইটিস, ন্যুমোনিয়া, সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (এস এ আর এস), অমদি কোভিদ-১৯নচিংবা থোকহল্লি। ভাইরস অসিনা ইন্টেষ্টাইনদসু শোকহনবা ঙম্মী।

মহৌশাদগী ভাইরস অসিনা চুম্নগী লোক থুংবগী লায়না নাহল্লি, শাথিবা লায়নাদি কয়া নাহন্দে। অদুমওইনমক কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা য়াম্না শাথিবা লাইচৎ খরসু থোকহল্লি।

হৌখিবা চহী ৭০ রোম অসিদা কোরোনাভাইরসনা উচি, উতীন, হূই, হৌদোঙ, টর্কি, শগোল, ওক অমদি ষনশিংদা নাহনবা সাইন্টিষ্টশিংনা থেংনখ্রে। করিগুম্বা মতমদদি হায়রিবা শা-ষনশিং অসিনা কোরোনাভাইরসশিং অসি মীওইবদা শন্দোকপা য়াওই।

খ্বাইদগী অনৌবা ৱাফম ওইনা অনৌবা কোরোনাভাইরস মখল অমনা চাইনাদা পাক শন্না মীয়ামদা নাহল্লকখি অমদি অতৈ লৈবাকশিংদসু শন্দোরকখিবনি। অনৌবা কোরোভাইরস অসিনা থোকহনবা লায়না অসিবু কোরোনাভাইরস দিজিজ ২০১৯, নৎত্রগা কোভিদ-১৯ হায়না মিং থোনখিবনি।

মীওইবদা অনা-অয়েক থোকহল্লিবা কোরোনাভাইরসকী তোঙান তোঙানবা মখলশিং, মখোয়গী সিম্পটোমশিং অমদি করম্না শন্দে দাকপগে হায়বগী শন্নপ্পা ৱাফম মখাদা পীরি। কোরোনাভাইরসশিংনা মরম ওইরগা থোকহনবা তমথিরবা লাইনা অহুম হায়বদি কোভিদ-১৯, এস এ আর এস, অমদি এম ঈ আর এস গী মরমদসু নৈনমিন্নসি।

**কোরোনাভাইরস হায়বসি করিনো?**

কুমজা ১৯৩৭দা ইহান হানবা ওইনা রিসার্চরশিংনা কোরোনাভাইরস অমা আইসোলেট তৌখি। কোরোনাভাইরস মখল অমনা যূমদা য়োকপা পোল্ট্রিশিং পাকতক্লনা শিহনবা ঙম্বা ইনফেক্সিয়স ব্রোনকাইটিস অমা উচেকশিংদা নাহনবা রিসার্চরশিংনা থেংনখি।

সাইন্টিষ্টশিংনা ইহান হানবা ওইনা ১৯৬০গী মতমদা ইহান হানবা ওইনা লোক থুংবা মীওইশিংগী নাতোনদা হ্যুমেন কোরোনাভাইরসশিং (HCoV) লৈবগী খুদম ফংবা ঙমখি। কোরোনাভাইরস মখল অনীনা মীওইবদা য়াম্না তোয়না লোক থুংহল্লি। মখোয়শিং অদুদি OC43 অমসুং 229E হায়রিবশিং অসিনি।

'কোরোনাভাইরস' হায়রিবা মমিং অসি ভাইরস অসিগী ক্রাউন মানবা ষ্ট্রকচরদগী লাকপনি। কোরোনা হায়রিবা ৱাহৈ অসি লেটিন লোননি, হালো নৎত্রগা ক্রাউন হায়বনি।

মীওইবদা নাবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনশিং অসি অয়াম্বনা নিংথমথাগী মতমদা নৎত্রগা য়েন্নিংথা হৌগৎলকপদা থেংনগল্লি। কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা মীওইবদা লোক থুংদুনা (কোল্ড) নাহল্লি অমদি চপ মান্নবা মওংদা থা ৪ রোমগী মতুংদা অমুক নারকপা য়াই। মসিগী মরুওইবা মরমদি কোরোনাভাইরস এন্টিবোদিশিং অসি মতম কুইনা মথৌ তৌবা ঙমদে। অমদি কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেন অমগী এন্টিবোদিশিংনা অতোপ্পা ষ্ট্রেন অমদা ইফেক্টিব ওইদবা য়াই।

**কোবিদ-১৯:** কুমজা ২০১৯দা সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)না SARS-CoV-2 হায়না খঙনবা অনৌবা কোরোনাভাইরস অমনা লাইচৎ শন্দোরকপগী মতাংদা মোনিটর তৌবা হৌরকখিবনি। ওথোরিটিশিংনা ভাইরস অসি ইহান হানবা ওইনা চাইনাগী ৱুহান সিটিতা আইদেন্টিফাই তৌখিবনি।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা কোভিদ-১৯ অসি কয়ামুক য়াম্না মী শিহনবা ঙম্বগী চাং ৱাংবগে নৎত্রগা কয়া য়াম্না শাথিবগে হায়বা খঙনবগীদমক কোরোনাভাইরসনা নাবা মীওই ৪৪,০০০ দা ষ্টদি অমা চত্থখি। ষ্টদি অদুগী মতুংইন্না চাদা ৮০ হেনবদি য়াম্না মাইল্দ ওই অমদি য়াম্না লায়না অনাবা ফরকপা ঙম্মী। চাদা ১৪ লোমনা নীংশা হোনবা ৱাবা অমদি ন্যুমোনিয়া থোকহনবা খরা শাথিবা লায়নাশিং নাই। চাদা ৫ রোমদা সেপ্টিক শোক, রেস্পিরেটরি ফেলিয়র, অমদি ওর্গান অমদগী হেন্না ফেল ওইবা য়াওনা অরুবা ফিবমদা লৈ। অদুগা তশেংনা শিহনবনা শূপ্নতগী চাদা ২ খক্তংনি হায়রি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী দিরেক্টর-জেনরেলনা হায়, লায়না অসিগী খুদোংথীবা অসি মশাগী চহী য়াম্বা মীওইশিংদনা হেল্লি। দল্লিয়ু ঐচ ওগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯না অঙাংশিংদদি কয়া নাহন্দে, মসিগী মতাংদা দল্লিয়ু ঐচ ওনা কন্না থিজিল্লি।

**কোভিদ-১৯গী সিম্পটোমশিং:** কোভিদ-১৯ গী সিম্পটোমশিং অসি মীওই অমগা মীওই অমগগী মরক্তা খেন্নৈ। সিম্পটোম খজিক্তং উৎলকপা নৎত্রগা অমত্তা উৎলক্তবসু য়াই। অদুমকপু সিম্পটোম উৎলক্ত্রবসু অনাবা অদু হেঞ্জিল্লক্তুনা শিহনবদি ঙম্মী। তোয়না থেংনবা সিম্পটোমশিংগী মনুংদা লাইহৌ, নীংশা হোনবা ৱাবা, লোক খুবা অসিনচিংবশিং য়াওই।

মীওই অমদা ভাইরস অসিনা চঙখ্রবা মতুংদা সিম্পটোম উৎথোরকপদা নুমিৎ ২ দগী ১৪ ফাওবা চঙবা য়াই।

হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অমত্তা লৈত্রি। অদুমওইনমক সাইন্টিষ্টশিংনা ভাইরস অসি রেপ্লিকেট তৌরে। মসিনা মরম ওইরগা লায়না অসি ঙন্না খঙদোকহৌবা অমদি ভাইরস অসি য়াওদি য়াওরগা সিম্পটোম উৎলক্ত্রিবা মীওইশিংবু লায়েংবদসু মতেং পাংবা ঙল্লগনি।

# মীপাল তাঙদনা হিংগে হায়রবদি শুবা নোম্বদা চিলহাও থিগুমসি : বিরা

*বিজয় লাইশ্রম*

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

মীপাল তাঙদনা হিংগে হায়রবদি শুবা নোম্বদা চিলহাও থিগুমসি হায়না লৌউ-শিংউগী থবক তৌরিবা তৌবুল ময়াই লৈকায়দগী থোকচোম বিরানা পাউচে অসিগা উনবদা ফোঙদোরক্লি।

থোকচোম বিরানা ফোঙদোকখিবদা, বিষ্ণুপুরগী সী আই কোলেজদা বি এ ফর্ষ্ট ইয়র ফাওবা তম্লম্লগা য়ুমগী অহল লৈখিদবদগী মহাক অফং-অফংবা থবক শুদুনা শেল তানখি। মহাক তৌবুল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ফাওবা ওইরম্লে। থবক শুবা নোম্বা অমদি মীপাল তাঙদনা হিংগে হায়বগী পান্দমদা মহাক্না সেক্রেটরি ওইবা তৌবুল ৱেলফ্যের এসোসিএসননা তৌবুল পঞ্চায়ট লাইরম লেক অসিগী লোক্তা পাৎ মপালদা লৈবা লম লৌ পরি ১৪ রোম চাওবা অসি চহী ৫/৫গী লিজদা লৌরগা চাওনা তৌরগা রিংবন্দ তৌদুনা শেমখি। পুখ্রিগী অকোয়বা রিংবন্দদা মতম-মতমগী মহৈ-মরোং অমদি মনা-মশিং থারগা অচৌবা পুখ্রি অদুদা তোঙান তোঙানবা ঙা মখল কয়া থাদদুনা য়োকই। কুমজা ২০১৭দগী তৌবুল ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না হায়রিবা লৌ পরি ১৪ রোম চাওবা লম অসি



চহী ১দা লুপা লাখ ১.৪০ অসি খুলগী গ্রাম পঞ্চায়টতা থিরগা থবক তৌরকখিবনি। খুলগী পঞ্চায়টতা কারকখিবা লিজগী শেফম অদুসু খুলগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা শীজিন্নে।

তৌবুল ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিদগী এস্কাভেটর অমা ৱাইরগা থাউনা মখোয়না হাল্লগা হান্না লৈরম্বা ঙায়োক ফার্ম অদু নীংথিনা ৱাংনা রিংবন্দ তৌরগা শেম্বদা লুপা লাখ ১৮ রোমদি চঙখ্রে। মসিদা লোকল এম এল এ ওইবতা নত্তনা খাদি এন্দ ভিলেজগী চ্যেরমেন অমদি পোপ্যুলেসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধাকেশ্বরনা লুপা লাওখ ১০ মতেং পাংবীদুনা থবক অসি মায় পাক্লা পায়খৎপা ঙমখি।

হৌজিক পুখ্রি অসিদা লুপা লাখ ১১ রোমগী ঙা লৈরগা পুন্না ঙা মচা লাখ ৪১ রোম থাদখিবা অদুগী মনুংদা কমন কাফতা ৩৪,০০০, সিলভর কাফতা ৫৮,০০০, রৌদা ৩২,০০০, মিরগলদা ৩৬,০০০, কোরি ঙাদা ১৮,০০০, তুংহনবীদা মোল তরেৎ মখায়রোম থাদখি। মসিদা নত্তনা গ্লাস কাফ ৭০০০ রোম থাদখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী ফেব্রুৱারী ২২ দগী মহৈ-মরোং অমদি মনা-মশিং থাবদা নত্তনা অকোয়বদা হৈপাল-লৈপাল কয়াসু থারি। মমাঙ চহীদা ফিশরি দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ঙাগী মেলাদা মহাক অহুমশুবা পোজিসন তাখি। পুখ্রি অসি শিৎলগা ঙা ফাবগী থবকসি নিংঙোল চাক্কৌবা ময়াদা ওইনা তৌই।

পুখ্রি অসিদা পাৎতগী ঈশিং থাজিনবা মতমদা ঙামু, ঙাক্রা, উকাবী, ফবৌঙা, পোরোম, ঙাপেম্মা, মুকাঙা, ঙাশাংনচিংবা য়াম্না চঙলকই। পুখ্রি অসিগী অকোয়বা রিংবন্দ খারিবা অসিগী মথক্তা কোবী ফুল, কোবী লৈ, খামেন অশিনবা, হঙ্গাম, খামেন ব্রামাশিকা, হৱাইমুবী, হৱাই থরাকনচিংবা থাবদা লৈহাও ফবা মরম্না মহৈ-মরোং নীংথিনা পাল্লি। হঙ্গাম অমদি কোবী ফুলনচিংবসু য়াম্না চাউই।

মফম অসিদা তোঙান তোঙানবা লমদগী উচেক কয়াসু পাইরকই। কনাগুম্বা লম্লক্কী শা-উচেক লাং থাক্তুনা ফাবা য়াওরম্লবদি খুলগী পঞ্চায়টনা ফারগা ফাইন লৌরি। হন্দক কোবী ফুল লুপা লাখ ১ রোম য়োনখ্রে। মফম অসিদা মহৈ-মরোং থাবা, শেম-শাবা, হেকপনচিংবা মতমদা নোংমদা মীওই অমদা লুপা ৫০০ পীরগা থবক নেকই। নোংমদা মীওই ৩০ রোম্না থবক শুবসু য়াওই।

ঙাগী মচিঞ্জাক অসি লৈরগা পীজবনা শেল য়াম্না চাদিং তৌরি। ঙাগী মচিঞ্জাক বেগ অমনা নুমীৎ নীনি ফানা চৎতে। মসিগী মথক্তা ঙানা পাম্না চাবা, লোক্তাক্তা অমদি অতৈ পাৎশিংদা য়াম্না লৈবা ঈশিংগী পাম্বী অসি মপুন অমদা লুপা ৪৫/৫০ দা লৈরগা পুখ্রিদা থাদৈ। ঈশিং চরাং পাম্বী ফানবা চৎলিবা শিন্নী শমজাই কৌবা অহল অমনা ফোঙদোরকপদা, হি তোংলগা কিলোমিটর ৫ রোম পাৎতা চৎলগা থরো, পাৎতা হৌবা পাম্বী কয়া হি হাপ্লগা পুরকপনি। নোংমদা লুপা ৫০০/৬০০ তানবা ঙম্মী। চাং নাইনা ফানবা চৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

টি ঐচ বিরানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না চহী ৩ লোম অসিদা লুপা ক্রোর ১ দি পুখ্রি অসিদগী তানবা ঙমখি। চহী খূদিংগী তৌবুল নিংথৌ হৱাওবদা হিয়াং তান্নবা মতমদা পুখ্রি অসিদা তান্নে। ময়াং ইম্ফালদগী তৌবুল তাবা লম্বী অমা লৈ। মসি গাড়ী য়াম্না চৎলি। মণিপুর লৈঙাক্ল া লম্বী অসি নীংথিনা শেম্বীরবদি য়াম্না ফগনি। লম্বী অসি কোয়লাস থাবীবা পাম্মী। লম্বী অসি ফরগদি লম কোয়বা অমদি লোক্তাক পাৎকী নীংথিরবা শক্তম য়েংবা লাকপা মীগী চাং হেনগৎলক্কনি। য়াঙ্গৈই তুরেলসু চেল্লি। তুরেল অসিদা মতম অমদা মীয়াম্না পোৎচৈ পুথোক-পুশিনগী থবক তৌই। মফম অসিগী লম্বী-থোং নীংথিনা শেমজিনবগী তঙাইফদবা লৈ। লম্বী-থোং ফরবদি মী লাকপগী চাং হেনগৎকনি। মসিনা অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংগী ওইনসু কান্নবা কয়া ওইগনি। হৌজিক্কী মতমদা লম্বী-থোং ফবা হায়বসি হীরম খূদিংমক্তা য়াম্না মরুওই। লৌউ-শিংউগী পোত্থোক পুথোরকপা মতমদসু লম্বী-থোং ফরবদি খুদোংচাবা ওই। মসিনা লৌউ-শিংউগী থবক তৌজরিবা মীওইশিংদসু ফগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০৩।২০২০ ইং, শগোলশেল;
লমতাগী ২৬ নি পানবা।

**মেষ :** থবক পাংগনি, মরুপ ফংগনি, লৌশিং চাওবা নুমিৎনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তসু কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃষ :** নীংহন্নগনু, মাঙলোমদা চংশিল্লু অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবনা হেন্না মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। চরাংনরবা অমদি খূৎ চাওরদি মীপাই নিংঙাই ওই অমদি কাইননি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**মিথুন :** ফিংবদি য়াদে অদুবু হনবা লৈতনা হোৎনবদি কান্নগনি। কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি মীকোক থেংবা য়াবা লৈ। চিন য়াংগনু অমদি মরুপ থাজবা লুই।
লৈশা পাখংশিংগী - খন্থবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কর্কট :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা অমদি অনৌবা থবক পাংবা য়াবা ঙসিসু লৈ। হকচাং খিংগনি, লল্লোনবদা শেন্দোং চাওনা ফংগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু-মাঙজে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**সিংহ :** নীংবা থুংবা, লাইবকসু ফবা অমদি  নুংঙাইবা পাউ তাবা নুমিৎনি। লৈফম নুংঙাইবা অমদি মীয়ামগী মতেংসু ফংজবা নুমিৎনি। মৈনদি তাথি, অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** লন চাওখৎপা অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা ঙসিসু লৈগনি। মীয়ামগা লোয়ননা পাংবা থবক খুমাঙ চাওশিনগনি। ঙক কল্লদি লন মাঙবদা নত্তনা পামদবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপলনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** পাঙ্গল ফুদোক্লা থৌ পাংবা য়াবা নুমিৎনি, ইমুং-মনুং ৱাখল মান্নগনি অমদি লেংদবা লন লেপশিনবা য়াগনি। অঙম্বনদি চানবীবা ৱাংলি -ৱাঙাঙ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - চিন কনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াবা, মীংচৎ ফংবা অমদি য়েৎনরম্বা কোকচবা য়াবা নুমিৎনি। নচা-ননাইগী লম্দা পূক্কিং নুংঙাইবা অমদি লৌশিং ফংজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** য়েক্লবা হন্থরগনি, থবক্কী লম্দা নুংঙাইবা অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎপা লৈগনি। লাই-গুরুনদি চানবীবা ৱাৎকনি অমদি মরুপ-মপাংগা অনম তান্নবনা কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা নুমিৎনি। হনবা লৈতনা হোৎনবা অমদি ইচং থৌবনা অফবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি। মরুপ্পদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** কিদবনা শেল-থুমগী লম্দা কান্নবা ফংগনি, নক্লবা মী লোয়নৌ অমদি থৌনা ফুদোকউ। নচা ননাইগী লম্দা পেন্দবা অমদি য়েৎনবদা মাঙবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** শেল ফংগনি, লাইবক ফগনি, মীয়াম্না চানগনি য়েৎনরম্বা কোকচদুনা নুংঙাইবসু ফংগনি। অদুবু মীতোপ্পা তাথিবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# 'বাইও ফ্লোক্কী পান্থে অসি শীজিন্নরবদি লমদমসিদা ঙাগী পোত্থোক হেনগৎহনবদা নত্তনা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ঙা মখলশিং য়োকখৎপদসু মতেং ওইগনি'

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

বাইও ফ্লোক হায়না খঙনবা ঙা য়োকপগী অনৌবা পান্থে অসি লমদমসিদা পাক শন্না শীজিন্ননবা খোঙথাং লৌখৎলক্লবদি ষ্টেটসিদা ঙাগী পোত্থোক হেনগৎহনবদা নত্তনা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ঙা মখলশিং য়োকখৎপদসু চাউনা মতেং ওইগনি হায়না বাইও ফ্লোক্কী পান্থেনা ঙা য়োকপা হৌখ্রবা ঙামী অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙা য়োকপগী লমদা মাঙজিল থানা চঙশিল্লিবা ঙামী অসিনা ফোঙদোরকপদা, বাইও ফ্লোক হায়রিবা ঙা য়োকপগী পান্থে অসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদদি য়াম্না মাঙজিল থানা চঙশিন্নখ্রে। কোলকাটা য়াওনা ষ্টেট কয়াদা বাইও ফ্লোক অসি য়াম্না মরুওইবা ঙা য়োকপগী পান্থে ওইনা শীজিন্নরি। বাইও ফ্লোক ফিশ টেঙ্ক শেমগৎলগা ঙা য়োক্কদবনি। ঙায়োক পুখ্রি লৈতবা মীওইশিংগী ওইনসু বাইও ফ্লোক্কী পান্থেনা ঙা য়োকপা য়াই। ইংখোল মচি অমদা বাইও ফ্লোক্কী টেঙ্ক অসি শেমগৎলগা ঙা য়োক্কদবনি। বাইও ফ্লোক টেঙ্ক শেমগৎপদা চঙবা প্লাষ্টিক্কী মেটরিএলশিং অমদি পোৎলমশিং অসি নীংথিনা ফংহল্লবদি লমদমসিগী মীওই কয়া হায়রিবা পান্থে অসিদা ঙা য়োকপগী খুদোংচাবা লৈগনি। ষ্টেট অসিদসু বাইও ফ্লোক্কী পান্থেনা ঙা য়োকপগী খোঙথাং অসি পায়খৎনবা মীৎয়েং থম্নরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা খঙ-হৈরবশিংনা এৱ্যের্নেস নীংথিনা পীবীরবদি য়াম্না ফগনি। বাইও ফ্লোক্কী পান্থে শীজিন্নরগা ঙা য়োক্কিংবা মীওইশিং পুনশিন্নদুনা ট্রেনিং প্রোগ্রামনচিংবা পাঙথোকপগী কান্নবা লৈগনি। বাইও ফ্লোক হায়বা অনৌবা ঙা য়োক্লবগী পান্থে অসি য়ুমথোঙ-য়ুমথোঙশিংদা পায়খৎলবদি মাগী মাগী ইমুংশিংগী ওইনা ঙাগী পোত্থোক লৈনদ্রবসু শীজিন্নবা কোন্নগনি। ইমুং-মনুংগী শীজিন্নবা চাংদগী হেন্না য়োকপশিং অদুনা য়োল্লবসু য়াই। ষ্টেটসিগী মফম কয়াদা হায়রিবা পান্থে অসি শীজিন্নরগা পাক শন্না ঙাক য়োক্লবদি মণিপুরদা হৌজিক ঙাগী পোত্থোক্কী অৱাৎপা কয়া লৈরিবসি মেনখৎপদা চাউনা মতেং ওইগনি।

ষ্টেট অসিদা য়াম্না পাম্না চানবা লোয়ননা ফংবগী চাং ৱাৎলক্লবা উকাবী, ঙাক্রা, ঙাকিজৌ, ঙামুনচিংবা কয়া অসি বাইও ফ্লোক টেঙ্ক শেমগৎলগা য়োকপা য়াগনি। মসিনা হায়রিবা য়েলহৌঙৈগী ঙা মখলশিং অসি মাঙখিদনবা হোৎনবগী চাউরবা মতেং অমা ওইগনি। লমদমসিদা মমাংঙৈদা য়াম্না মরাং কায়না ফংলম্বা অদুবু হৌজিক্তি মমি শামজিল্লক্লবা ঙা মখল কয়া অমা লৈরি। ঙা মখলশিং অদুগী মনুংদা ঙাৱা, ঙাখা মৈঙাংবী, ঙাতেন, ঙাপং, ঙাতুপ, ঙানপ, ঙাক্কিজৌ, মৈতৈ শরেং, ঙারোই, পেংবা, ঙাতোন, খাবক, মৈতৈ ঙামু, মৈতৈ ঙাক্রা, পোরোমনচিংবা কয়া পনবা য়াই। পেংবানচিংবা ঙা মখল অসি হৌজিক ঙায়োক ফার্ম কয়াদা য়োক্নরকপগা লোয়ননা য়াম্না পাম্নসু চান্নরি। ঙা মখল অসি মার্কেটতা দিমান্দ য়াম্না লৈবা মহাও লৈবা ঙা মখল ওইরি। য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ঙা মখল কয়া অসি বাইও ফ্লোক্কী পান্থে শীজিন্নরগা ঙা য়োকপগী টেঙ্কতা নীংথিনা য়োকপা য়াগনি। মসিদা হৈ-শিংবা অমদি চঙই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা অখঙ-অহৈ কয়া থাবীদুনা মফম কয়াদা ট্রেনিং পাঙথোক্লবদি ঙা য়োকপা পামজবা মীওই কয়াদা মতেং ওইগনি। য়ুমথোঙ কয়াদা বাইও ফ্লোক শীজিন্নদুনা ঙা য়োক্লবদি ফ্রেস ওইবা ঙা ইমুংগী ওইনসু চানিংবা মতমদা চাবা ফংগনি। মসিনা ঙা লৈবদা চৎকদবা শেলসু সেভ তৌবা ঙমগনি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী ইনকম হেনগৎহনবদসু চাউনা মতেং ওইগনি। থবক ফংদ্রিবা মশানা মশাবু থবক পীবা পামজবা নহা কয়া লমদম অসিদা লৈরি। নহাশিংদা বাইও ফ্লোককী ৱাখল লৌশিং কয়া অসি ফংহন্দুনা ঙা য়োকপগী থবক অসি চত্থরকপা মতমদা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মপানগী ষ্টেট কয়াদা বাইও ফ্লোক্লা ঙা য়োকপগী খোঙথাং অসি য়াম্না মাঙজিল থানা চঙশিনখ্রে। খোঙথাং অসি ষ্টেট অসিদসু পায়খৎপা য়াগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ৱাখল লৌশিং নীংথিনা লৈনবা ট্রেনিং পীবগী তঙাইফদবা লৈরি। লম অসিগী মতাংদা এক্সপার্টশিং কৌরগা ট্রেনিং পীরবদি মখা তানা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা শন্দোকপদা মতেং ওইগনি। মফম খরদা মায় পাক্লা বাইও ফ্লোককী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপা মতমদা মতৌ তম্লগা মফম মফম কয়াদা পায়খৎলকপা য়াগনি। বাইও ফ্লোক্কী পান্থে অসি শীজিন্নরবদি ঈশিং হাপ্লগা অদুম্মক য়াগনি। ঙায়োক ফার্ম কয়া অমদি করিগুম্বা মতমদা ঈশিং কংবদগী ঙা য়োকপা য়াদবা য়াওরিবনি। অদুবু বাইও ফ্লোক্কী ওইনদি ঈশিং হৈরগা অদুম্মক ঙা য়োকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগদৌরিবনি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপা মতমদা পূক্কিং থৌগৎপগা লোয়ননা ঙামী মশিং য়াম্না পুথোক্লবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লরকখি।